# পি এম মোদি অমসুং নেপাল পি এমনা খা এসিয়াগী অহানবা ক্রোস–বোর্দর পেট্রো পাইপলাইন হৌদোকখ্রে



**ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ** চিনানসু চংশিল্লক্তুনা কন্না শক্তি শাগৎলিবা নেপালদা ন্যু দিল্লিনা মখোয়গী শাফু হেনগৎহন্নবগী থবক অমা ওইনা লৌনরিবা প্রোজেক্ট, খা এসিয়াগী মনূংদা লৈবাক ২ ফাউদুনা পুবা অহানবা ওইল পাপলাইন অমা ওফিসিয়েল ওইনা ইন্দিয়া অমসুং নেপালনা ঙসি হাংদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং নেপালগী মহাক্কী ফম্মান্নবা কে পি শর্ম ওলিনা মথংশিংনা ন্যু দিল্লি অমসুং কাঠমান্দুদগী ভিদিও লিঙ্ককী খুখাংদা ওইল পাইপলাইন হৌদোকপা অদু শরুক য়াখি।

ইন্দিয়ানা লূপা বিল্লিয়ন ৩.২৪গী পাইপলাইন প্রোজেক্ট অসিগী শেনফম পুথোকপনি। পাইপলাইন প্রোজেক্ট অসিগী চহীগী কেপাসিটি মেট্রিক টোন মিল্লিয়ন ২নি অমসুং অতাবা মমলদা মসিনা ইন্দিয়াদগী নেপালনা ফুৱেল ইমপোর্ট তৌবা ঙমহল্লগনি।

মপান লৈবাক্তা লন্বী ফাওনদবা হিমালয়াগী লৈবাক অসিদা হৌজিক হৌজিক কংফাল লন্বীদা টেঙ্করশিংনা পুরিবা থাও পীবদা ইন্দিয়ানা নেপালগী অমত্তা ঙাইরবা থাও সপ্লায়রনি।

নেপাল ওইল কোর্পোরেসনগা তেংবাংনরগা ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেসনা শাখিবা কিলোমিটর ৬৯ শাংবা পাইপলাই অসিগী থবক থাখিবা মতমদগী থা ১৫গী মাঙওইননা লোইশিনখি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

খা এসিয়াগী অহানবা ক্রোস–বোর্দর পেট্রোলিয়ম পাইপলাইন অসি রেকোর্দ অমা ওইনা মতম ঙন্না লোয়শিনবা ঙমখিবসি য়ান্না পেন্নিংঙাই ওইবা অমনি। প্রোজেক্ট অসি লোয়শিনবদা চঙ্গনি হায়না খনখিবা মতমগী তঙ্খাইতমক চংখি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি।

বিহারগী মোতিহারিদগী পাইপলাইন অসিনা নেপালগী অমলেখগঞ্জদা থাও পুগনি। হৌখিবা চহীদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগা নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর কে পি শর্ম ওলিগা অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নখিবা অদুগী মতুংদা নেপালদা ইন্দিয়ানা ফন্দ পীবা প্রোজেক্টশিং থবক ওইনা পাংথোকপা হেনগৎলকখিবনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

নেপাল অসি ইন্দিয়া অমসুং মতেংশিং হৈথরক্লিবা লোয়ননা নেপালি হোস্পিটালশিং, লম্বীশিং অমসুং হায়ড্রো ইলেক্ট্রিক প্লান্টশিংদা ইনভেষ্টমেন্ট থাদরক্লিবা চিনাগগী মরক্তা লৈবা লৈবাক অমনি।

কিলোমিটর ১৭৫১ শাংবা ঙমখৈ লোন্নরিবা ইন্দিয়া অমসুং নেপালনা লাইনিং–লাইশোল অমসুং নাৎকী ওইবা নক্কবা লিপুনশিং লৈনৈ অমসুং নেপালি লাক্ষ কয়া ইন্দিয়াদা থবক তৌরি।

ইন্দিয়া অমসুং নেপালগী মরক্তা লল্লোন–ইতিক অমসুং চৎথোক–চৎশিনগী হিরমদা পাইপলাইন অসি কনেক্টিভিটিগী খ্বাইদগী ফজবা খুদম অদুনি হায়না নেপাল প্রাইম মিনিষ্টর মিষ্টর ওলিনা মহাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগা লোয়ননা টেলিভাইজ ভিদিও এড্রেস অমদা হায়খি।

নেপালনা টোন মিল্লিয়ন ২.৬৬কী থাও অমসুং কুকিং গ্যাস টোন ৪৮০,০০০ রোম শিজিন্নৈ। মসি পূম্বসি ইন্দিয়াগী দিপো ৬তগী ট্রকশিংনা নেপালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হৌজিক পুরিবনি।

পাইপলাইন অসিনা থাও পুবগী মমলদা চহীগী ওইনা দোল্লর মিল্লিয়ন ৮.৭ লোম কান্নহল্লগনি হায়না নেপাল ওইল কোর্পোরেসনগী ৱাঙাংলোই বিরেন্দ্র গোইতনা হায়খি।

# য়ু এসকী ট্রম্পনা ৱারী শান্নবা ‘শিরে’ হায়খিবা মতুংদা অফগান টালিবাননা লান মখা চঙ্নবা ৱাশকখ্রে

**কাবুল, সেপ্টেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ** য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অফগানিস্টানগী লালহৌবা টালিবানগা ৱারী শান্নরকখিবশিং অদু ‘শিরে’ অমসুং ৱারী শান্নবশিং অদু তোকপদা ৱাসিংটননা নুংঙাইতে হায়খিবা অদুগী মতুং ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা টালিবাননা মখোয়গী লৈবাক অসিদা লৈরিবা য়ু এস ফোর্সশিংগী মায়োক্তা লান মখা চখনবা ৱাশকখ্রে।

অফগানিস্টানদা খুদুম চল্লিবা অসি লোয়শিন্নবগী লন্বী অনী লৈ, লন্বী অমনা জিহাদ অমসুং লাননি, অতোপ্পা লন্বী অমনা ৱারী শান্নবা অমসুং মন্তিক্লবনি হায়না টালিবানগী ৱাঙাংলোই জাবিহুল্লাহনা পাউগী



এজেন্সি এ এফ পিদা হায়খি।

করিগুম্বা ট্রম্পনা ৱারী শান্নবা তোকপা পাল্লবা, অদু ওইরবদি ঐখোয়না অহানবা লন্বী অদু ওইনা চৎকনি অমসুং মখোয় থুনমক মদুদা নীংঙমদবা পোল্লকনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অফগানিস্টানদা য়ু এসনা চখরিবা চহী ১৮গী লান অসিদা লৈবাক অসিদগী অমেরিকাগী লান্মী লৌথোক্লবগী পান্দমদা চহী ১রোম ৱারী শান্নরক্লবা তুংদা য়ু এসনা হৌজিক ৱারী শান্নবশিং অদুদগী থোক্লক্লে হায়না পাউমীশিংদা ট্রম্পনা ফোঙদোকখিবগী পূং খরগী তুংদা টালিবানগী নাকনদগী ৱাফম অদু ফোঙদোক্লকখিবনি।

ঐহাক্না খনবা ফাওবদদি মখোয় অদু শিরে, মখোয় শিরে হায়না হ্বাইট হাউসতা ট্রম্পনা হায়খি।

ৱাসিংটনগী মপান্দা কেম্প দেভিট প্রসিদেন্সিয়েল ফেসিলিটিদা হকথেংনবা ৱারী শান্নবগীদমক টালিবান লিদরশিংবু প্লেনদা পুরক্লবা অৱাংবা থাক্কী অরোনবা থৌরাং অমা ট্রম্পনা অঙকপা মওংদা ককথৎখিবা অদুগী মতুংদা মহাক্না ৱারোল অদু লাওথোক্লকখিবনি।

# অনৌবা য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী লাইএবিলিটিশিং অমসুং এসেটস য়েন্থোক্লবগী মতাং য়েংশিন্নবা কমিটি শেমখ্রে

**ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ** ওফিসিয়েল নোটিফিকেসনগী মতুং ইন্না ওক্টোবর ৩১দগী য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইরগদবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী শেমখিবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনীগী মরক্তা এসেটস অমসুং লাইএবিলিটিশিং য়েন্থোক্লবগী মতাংদা মেম্বর ৩না শাবা কমিটি অমা সেন্টরনা শেমখ্রে হায়রি।

কমিটি অদুগী চিয়ারমেন অদু হান্নগী দিফেন্স সেক্রেটরি শজয় মিত্রনা ওইগনি, অদুগা রিটায়ার আই এ এস ওফিসার অরুন গোয়াল অমসুং রিটায়ার ইন্দিয়ান সিভিল একাউন্টস সার্ভিস (আই সি এ এস) ওফিসার গিরিরাজ প্রশাদ গুপ্তনা মেম্বরশিং ওইগনি।



জম্মু এন্দ কাশ্মির রিওর্গনাইজেসন এক্ট ২০১৯গী সেক্সন ৮৪ অমসুং সেক্সন ৮৫না পিবা শক্তিশিং শিজিন্নদুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা এদভাইজরি কমিটি অদু শেম্লে হায়না হোম মিনিষ্ট্রি নোটিফিকেসন অদুনা হায়খি।

এক্ট অদুগী সেক্সন ৮৪গী মতুং ইন্না জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী এসেটস অমসুং লাইএবিলিটিশিং অদু জম্মু এন্দ কাশ্মির, অমসুং লদাখ হায়রিবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী অসিগী মরক্তা চাং চান্নবা য়েন্থোক্কদবনি।

আগষ্ট ৫দা সেন্টরনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা আর্টিকেল ৩৭০গী মখাদা পীবা স্পিসিয়েল ষ্টেটস লৌথোকখি অমসুং ষ্টেট অদুবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২ থোক্না খায়দোকখি।

হৌজিক লৈরিবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ষ্টেটকী এসেটস অমসুং লাইএবিলিটিশিংগী চাং লেপ্পদু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা শেল্লিবা কমিটি অমগী রিকমেন্দেসনশিংগী মতুং ইনগনি হায়না নোটিফিকেসন অদুনা হায়খি।

এক্ট অদুগী সেক্সন ৮৫কী মতুং ইন্না, হৌজিক লৈরিবা ষ্টেট জম্মু এন্দ কাশ্মিরগীদমক শেমখিবা কম্পেনিশিং অমসুং কোর্পোরেসনশিংগী এসেটস, রাইটস অমসুং লাইএবিলিটিশিং অদু য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২সিগী মরক্তা য়েন্থোক্লবগী চাং লেপ্পবগীদমক সেন্টরনা এদভাইজরি কমিটি ১ নৎত্রগা অমদগী হেন্না শেম্বা য়াই।

# জর্মন মিনিষ্টরনা হোং কোং এক্টিভিষ্ট উন্নখিবা অদু চিনানা শাওখ্রে, কেররি লামনা য়ু এসতা ৱার্নিং তৌখ্রে

**বৈজিং /হোং কোং, সেপ্টেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ** জর্মন ফোরেন মিনিষ্টর হৈকো মাসনা হোং কোংগী শক্নাইবা এক্টিভিষ্ট জোশুৱা ৱোং উন্নখিবা অদুগী মতুংদা চিনাগী লৈবাক মনূংগী হীরমশিংদা খূৎ থিংজিন্নবগী মপান লৈবাক অমত্তগী হক লৈতে হায়দুনা ঙসি চিনানা অশাওবা ফোঙদোকখ্রে।

জর্মনগী পাউ–চে বি আই এল দিনা য়ুদ্ধু লইদুনা পাংথোকপা থৌরম অমদা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা বার্লিনদা জোশুৱা ৱোংনা জর্মন ফোরেন মিনিষ্টর হৈকো মাসপু উন্নখিবনি।

মহাক্কী বেলদা লৈবগী তার্মশিং থুগাই হায়বগীদমক নোংমাইজিং নুমিৎতা হোং কোং এক্টিভিষ্ট জোসুৱা ৱোংবু হোং কোং এয়ারপোর্টতা পূং ২৪ রোম ফাদুনা থম্লবগী তুংদা মহাক নোংমাইজিংগী নুমিদাংৱাইরমগী অথেংবদা বার্লিনদা থুংখি অমসুং মফম অদুদা মহাক নিংতম্না মীখল পাংথোক্লবগী মহাক্কী লাম্থেং মখা চখগনি হায়খি।

জর্মন চান্সেলর এঞ্জেলা মর্কেলনা হৌখিবা চয়োলদা বৈজিংদা লাকখিবনা ফোরেন মিনিষ্টর হৈকো মাসকা হোং কোং এক্টিভিষ্ট জোশুৱা ৱোংগা উন্নখিবা অদু মতম চাদে। এক্টিভিষ্ট ৱোংবু জর্মনদা চংবা য়াহনবা অমসুং জর্মন ফোরেন মিনিষ্টরগা উন্নবা য়াহনখিবা অদু চিনানা য়ান্না কন্না য়ানিংদে অমসুং মদুগী মায়োক্তা লৈ হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই নুপী হুৱা চুনয়ীংনা হায়খি। চিনানা জর্মনগী মথক্তা অকনবা ৱাফম অমা হান্ননা থাগৎখ্রে।

হোং কোংগী ৱাফম মনূংগী ওইবা হিরম অমনি। মপান লৈবাক্কী গভর্ণমেন্ট, ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা লন্নাই মীওই অমত্তনা খূৎ থিংজিনবগী হক লৈতে হায়খি।

অমরোমদা হোং কোংগী চীফ একজিক্যুটিব কেররি লামনা হোং কোংগর পূন্নমক্তা হীংশাগী খোঙথাং চখদনবা অপিল তৌখ্রে। সেমি–ওটোনোমস সিটি অসি মমাঙদা অমুক্তা তৌখিদ্রিবা মওংদা থা ৩ লোমগী প্রো–দেমোক্রেসি প্রোটেষ্টশিং মায়োক্লরি।

হোং কোংগী মীওই অমত্তনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা এক্ট অদু পাস তৌনবা হায়রোই হায়না ঐনা আশা তৌই।

অমেরিকান পোলিটিসিয়ান খরনা হোং কোংগী প্রোটেষ্টরশিংগী দেমোক্রেসি পুরক্লবগী পান্দমশিং অসিগীদমক শৌগৎপা ফোঙদোকখি।

সিটি অসিগী প্রো–দেমোক্রেসি মুভমেন্ট অসি শৌগৎপা ফোঙদোকপা বিল অমা পাস তৌনবা প্রোটেষ্টরশিং অসিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা সিটি অসিদা লৈরিবা আমেরিকান কোন্সুলেট অদুগী মমাঙদা নোংমাইজিং নুমিৎতা খোঙচৎ চৎতুনা য়ু এস কোংগ্রেসতা আপিল তৌবা লাকখিবনি।

হোং কোংগী প্রোটেষ্টশিং অদু শৌগৎলি হায়না ৱাসিংটনবু বৈজিংনা মরান শীখি। অদুবু শীরিবা মরান অদু অরানবনি হায়না ৱাসিংটননা য়াখিদে অমসুং ৱাসিংটননা মদুদা শৌগৎলি হায়বগী খুদম চিনানা পীবা ঙম্লোই হায়খি।

হোং কোংগী প্রোটেষ্টশিং অসি ক্রাইম অদুদা চেন্নবগী ফারবা মীওইশিংবু মেনলেন্দ চিনাদা থাদুনা হায়বদি এক্সট্রাদিট তৌনবগী বিল অমগী মতাংদগী মৈ চুখৎখিবনি।

এক্সট্রাদিসন বিল অদু হোং কোং মীয়ান্না মখোয়গী সিটি অসিগী অকক্লবা ফ্রীদমশিং অদু চিনানা মচেৎ–মচেৎ ককথৎনবগী অনৌবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌনখি। অদুবু হৌখিবা চয়োলদা হোং কোং লূচিংবী অসিনা এক্সট্রাদিসন বিল অদু মপূং ফানা লৌথোক্লে হায়না অঙকপা মওং অমদা লাওথোকখ্রবনি। মদু ওইদুনসু হৌজিকসু হেন্না পাকথোক চাওথোকপা দেমোক্রেসিগী খোঙ ওইনা প্রোটেষ্ট মখা চখরি।

# য়ু এসকা ৱারী শান্নশি হায়খিবা মতুং নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইলশিং কাপখ্রে

**সিওল, সেপ্টেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ** সেপ্টেম্বর থা লোয়শিল্লকপদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱার্কিং–লেভেলগী ৱারি শান্নবা পাংথোক্লবা নোর্থ কোরিয়াগী অনীংবা লৈ হায়না পিয়োংয়াংনা হায়খিবগী পূং খরগী তুংদা লৈবাক অসিনা ঙসি সমুদ্র লোমদা মিসাইলশিং কাপখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম তোকহন্নবা য়ু এসনা লৈবাক অসিগী লূচিংবা কিম জোং উনগা ৱারী শান্নরকখিবনি। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং নোর্থ কোরিয়া লূচংবা কিমগা ফেব্রুৱারী থাদা ৱারী শানখিবা অদুদা য়ানবা পুরকপা ঙমদনা লোয়শিনখি।

সাউথ পিয়োনগান প্রোভিন্সতগী নোংপোক থংবা মায়কৈরোমদা ঙসি অয়ুক নোর্থ কোরিয়ানা করম্বা মখলনো খঙদবা মশক তাকথোক্তবা প্রোজেক্টাইল অনীরক কাপখি হায়না সাউথ কোরিয়াগী জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফনা হায়খি। খুদক্তা মখা তাবা মরিকচুম্বা পাউ অমত্তা ফংদ্রি অদুবু জুলাইগী মতুংদগী মসিনা খ্বাইদগী কোনবা মিসাইল কাপ্পনি।

মমাঙগী কাপখিবশিং অদুদি অতেনবা রেঞ্জগী মিসাইলশিংনি হায়না মশক তাকখি। সেনিয়ার য়ু এস ওফিসিয়েল অমনসু মদুগী পাউ অদু খঙলে। ফিভম অদু ঐখোয়না য়েংশিল্লি অমসুং লমদম অদুদা লৈবা ঐখোয়গী এলাইজশিংগা কুপ্না খন্নরি হায়খি।

# বাব্রি কেসতা হান্নগী রাজস্থানগী গভর্ণর কল্যান সিংহবু কৌখৎনবা সি বি আইনা কোর্টতা তকশিনখ্রে



**লক্ষ্ণৌ, সেপ্টেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ** রাজস্থান গভর্ণর ওইবগী মহাক্কী তার্ম হেক লোইখিবা মতুং থুনা কল্যান সিংহবু বাব্রি মসজিদ থুগাইখিবগী কেসতা ৱায়েল মায়োক্লননবা কৌখৎনবা সি বি আইনা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা লক্ষ্ণৌগী কোর্ট অমদা তকশিনখ্রে।

অযোধ্যাদা বাব্রি মসজিদ থুগাইখিবা মতম অদুদা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা কল্যান সিংহনা গভর্ণর ওইনা কনষ্টিট্যুসনেল পোষ্ট অমা পাইবনা মহাকপু ৱায়েনবদগী ঙাকথোকপা ফংখি।

কল্যান সিংহনা মহাক্কী রাজস্থান গভর্ণর ওইবগী মহাক্কী চহী ৫গী টার্ম লোয়শিল্লবা তুংদা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা কলরাজ মিশ্রবু জয়পুরদা রাজস্থান গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

লক্ষ্ণৌদা পার্টি ওফিসতা হৌজিক মশাগী চহী ৮৭ শুরবা কল্যান সিংহনা পোলিটিক্সতা মহাক অমুক হন্না য়াওবা পাল্লি হায়বগী ইঙ্গিৎতা বি জে পিদা অমুক য়াওখি।

পাউমীশিংনা অযোধ্যাগী মতাংদা ৱাহংশিং হংলকখিবা মতমদা মহাক্না অযোধ্যাগী য়েৎনরিবা মফম অদুদা রাম লাইশঙ অমা শাবগী মতাংদা মখোয়গী ফিরেপ শেংনবা ওপোজিসন পার্টিশিংগা শীংনখি।

বাব্রি মোস্ক থুগাইনবগী লৌতুনখি হায়বগীদমক ৱায়েল অদু মায়োক্লননবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)না কল্যান সিংহবু কৌখৎনবা লক্ষ্ণৌদা লৈবা সি বি আই কোর্টতা চেরোল অমা থাঙ্গৎখি।

স্পিসিয়েল কোর্ট অদুনা বি জে পিগী সেনিয়ার লিদরশিং– এল কে অদবানি, মুর্লি মনোহর জোসি, অমসুং উমা ভারতি য়াওনা লৌতুনবা অদুদা য়াওই হায়বা এক্যুজশিং অদুগী ৱায়েল চখরিবনি।

স্পিসিয়েল সি বি আই কোর্ট অমনা মিষ্টর কল্যান সিংহনা গভর্ণরগী কনষ্টিট্যুসনেল পোষ্ট অদু মখা তানা পায়দ্রব্রা হায়বদু এজেন্সি অদুদগী খঙনবা হংখি।

সি বি আইনা থাঙ্গৎলকখিবা চেরোল অদু হয়েঙ য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কোর্ট অসিনা লৌখৎলবা য়াই। মখোয়গী চেরোল অদু থাঙ্গৎলদুনা সি বি আইনা কল্যান সিংহগী মথক্তা ১৯৯৩দা চার্জসিট থাঙ্গৎখ্রে হায়খি।

কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৬১গী মখাদা গভর্ণরশিংদা পীরিবা কনষ্টিট্যুসনেল ইম্ম্যুনিটিগী মরমনা কল্যান সিংহবু ৱায়েনবা ঙমদে হায়বা এপ্রিল ১৯, ২০১৭গী সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অদু সি বি আইনা পনখি।

অদুম ওইনমক সুপ্রিম কোর্টনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অদুবু মহাক্না গভর্ণর অমা ওইবা তোকপগা থুনমক এক্যুজ অমা ওইনা কৌখৎনবা কোর্টতা সি বি আইবু হায়বা য়াহনখি।

সুপ্রিম কোর্টনা ২০১৭দা মসজিদ থুগাইবগী কেস অদু অমুক হিংগৎহন্নবা ওর্দর তৌখি।

য়েৎনরিবা রাম জন্মভুমি–বাব্রি মসজিদ সাইত অদুগী মপু কনানো হায়বা লেপ্পবগী কেস অদুদগী মসি তোঙানবা কেস অমনি।

লক্ষ্ণৌদা বি জে পি ওফিসতা কল্যান সিংহনা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংবদা অযোধ্যাগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা মখোয়গী ফিরেপ ময়েক শেংগদবনি। ঐহাক্না মসিগী মতাংদা পোলিটিক্স তৌবা পামদে। অদুবু ঐনা পাল্লিবদি মখোয় রামগী লাইশঙ অমা শাবা অসিনা পান্থ্রা নৎত্রগা পামদব্রা হায়বদু মীয়াম মমাঙদা মখোয়গী অশেংবা ফিরেপ অদু পোলিটিকেল পার্টি পূন্নমক্না শেংদোকপা অসিনি হায়খি।

রাজস্থানদা গভর্ণর ওইনা মহাক্কী চহী ৫গী টার্ম মপূং ফারবা তুংদা কল্যান সিংহনা ওফিসিয়েল ওইনা প্রাইমারি মেম্বর অমা ওইনা পার্টিসিদা অমুক হল্লকখি অমসুং উত্তর প্রদেশ বি জে পি চীফ শ্বতন্ত্রা দেব সিংহগী মাঙদা পার্টিদা অমুক হন্না য়াওরকখি।

দিসেম্বর ৬, ১৯৯২দা অযোধ্যাদা বাব্রি মসজিদ থুগাইখিবগী মতুং কল্যান সিংহনা উত্তর প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর ওইবদগী রিজাইন তৌখিবনি।

# এয়ার চীফনা লূচিংলমখিবা ‘গোল্ডন এরোজ’ রাফেল ফাইটরশিংগীদমক অমুক হিংগৎহল্লগনি

**ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ** ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা ফোর্স অসিগী মুখৎলুরবা ‘গোল্ডন এরোজ’ ১৭ স্কৱাদ্রোন অদু অমুক হিংগৎহল্লগনি অমসুং মদু মলটিরোল রাফেল ফাইটর জেটশিং পাইগদবা অহানবা য়ুনিট অদু ওইরগনি।



রাফেল জেটশিং অদু লৌনবা এয়ার ফোর্সনা থৌরাং তৌখিবগা এয়ার চীফ মার্সেল বি এস ধানোৱানা অম্বালা এয়ার ফোর্স ষ্টেসনদা ১৭ স্কৱাদ্রোন অদু অমুক হিংগৎহল্লগনি হায়না লিখুনশিংনা ফোঙদোকখি।

‘গোল্ডন এরোজ’ ১৭ স্কৱাদ্রোন অদু মতম অমদা ১৯৯৯গী কার্গিল ৱার মতমদা এয়ার চীফ মার্সেল ধানোৱা মশামক্না কম্মান্দ তৌখিবনি। ভটিনদা এয়ার বেজদগী ওপরেট তৌখিবা স্কৱাদ্রোন অদু ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা রসিয়ানা শাবা মিগ ২১ জেটশিং মথং–মথং লৌথোকপা হৌখিবা মতুংদা ২০১৬দা মুখৎখিবনি।

স্কৱাদ্রোন অদু ১৯৫১দা শেমখিবনি অমসুং মদুনা হাবিলেন্দ ভম্পাইয়র এফ এম কে ৫২ ফাইটরশিং পাইখি।

ইন্দিয়ানা থা অসিগী লোয়শিল্লকপা ফাওবগী মনূংদা অহানবা রাফেল জেট অদু ফংগনি হায়বগী আশা তৌরি। আই এ এফনা ফাইটর এয়ারক্রাফ অদু তরান্না ওক্লবা মথৌতাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী থৌরাং অমসুং পাইলোটশিংগী ট্রেনিং য়াওনা থৌরাং পূন্নমক হান্ননা মপূং ফানা লোয়শিন্দুনা থমখ্রবনি।

খ্বাইদগী হেন্না লানগী মীৎয়েঙদা খুদোঙচাবা মফমদা লৈবা আই এ এফকী বেজশিংগী মনূংদগী অমনি হায়নরিবা অম্বালা এয়ার ফোর্স ষ্টেসনদা অহানবা রাফেল ফাইটরগী স্কৱাদ্রোন অদু থমগনি হায়না লিখুনশিং অদুনা হায়খি। পাকিষ্টানগা থংনবা ঙমখৈ অদু মফম অসিদগী কিলোমিটর ২২০লোম লাপ্পদা লৈ।

রাফেলগী অনীশুবা স্কৱাদ্রোননা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী হাসিমারা এয়ার বেজদা থমগনি। রাফেল ফাইটর জেট ৩৫ ফ্রান্সতগী লূপা ক্রোর ৫৮,০০০লোমগী মমলদা লৈননবা সেপ্টেম্বর ২০১৬দা ইন্দিয়ানা ফ্রান্সকা ইন্টর–গভর্ণমেন্টেল এগ্রীমেন্ট অমা সহি তৌনখিবনি।

# কিহনবা পোষ্টর চাইথোকপা এল ই টি ৮ ফারে

**শ্রীনগর, সেপ্টেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ** কাশ্মিরগী বরামুল্লা দিষ্ট্রিক্টকী সোপোর এরিয়াদা মিলিটেন্টশিংগী মহুৎ শিন্দুনা মীয়ামদা কিহনবা পোষ্টরশিং চায়থোকপগীদমক লাস্কর–ই–তাইবা (এল ই টি) টেরোরিষ্ট এসোসিয়েট ৮ ফারে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

পোষ্টরশিং অদু সিভিল কর্ফ্যুগী পাউজেল অমা পীবা অমসুং মীয়ামদা সিভিল দিসওবিদিয়েন্স চখনবা খঙহনবা পোষ্টরশিংনি। পোষ্টরশিং অদু চাইথোকপদা চেন্নবা টেরোরিষ্ট এসোসিয়েট ৮ অদু মশক খঙলে হায়না সোপোর এরিয়াগী পুলিসকী ৱাঙাংলোই অদুনা ফোঙদোকখি।

ফারবা মীওই ৮ অদুনা পোষ্টরশিং অদু ফোঙবনি অমসুং মফম অদুদা চাইথোকপনি।

পুলিসনা পোষ্টরশিং অদু দ্রাফ তৌবা অমসুং ফোঙবদা শিজিন্নবা কমপ্যুটরশিং অমসুং অতৈ পোৎলমশিং ফংলে। কম্প্যুটরশিং অদু য়াওনা অতৈ মচাক পূন্নমক অদু ফাগৎলে হায়না পুলিসকী ৱাঙাংলোই অদুনা হায়খি।

# সেপ্টিক টেঙ্ক শেংদোকপদা ইমুংগী মীওই ৪ শিখ্রে

**মুজাফরপুর, সেপ্টেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ** বিহারগী মুজাফরপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা খুন অমদা হন্দক্তা নৌনা শাখিবা সেপ্টিক টেঙ্ক অমা শেংদোকপদা টেঙ্ক অদুগী মনুংদা শ্বর ফুনবদগী ঙসি ইমূং অমগী মীওই ৪ শিখ্রে হায়না ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদু মিনাপুর ব্লোককী বারা ভারতি পঞ্চায়টকী মনূং চনবদা লৈবা মধুবন কান্তি খুন্দা ঙসি অয়ুক থোকখিবনি।

নৌনা শাখিবা সেপ্টিক টেঙ্ক অদুগী ফার্মা শিদোক্লবা চংখিবা মীওই অমা শোয়বদগী তাখি অমসুং হূ চেনবা গ্যাস হোজ্ঞিনব অমসুং শ্বর ফুনবদগী শিখি হায়না সব দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেট (ইষ্ট) কুন্দন কুমারনা হায়খি।

মহাকপু কন্নবা টেঙ্ক অদুগী মনূংদা খুদক্তা চংশিনখিবা ইমূং অদুগী অতোপ্পা মীওই ৩ অদুসু মহাক্না চপ মান্ননা শিখি, চহী ৩০–৩৫ রোম শুরবশিংনি। মখোয়গী খ্বাইদগী নক্লবা মীওইদা লূপা লাক্ষ ৪–৪ এক্স গ্রেসিয়া পীনবা মিনাপুর সার্কল ওফিসারনা লাওথোকখ্রে।

## GAS TODAY

**Yairipok Gas Service**
Booking : 11/09/19
Valid : 01/08/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Misao Gas Service**
Booking : Up to Date
Stk : 306, 19kg Available
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Imphal L P G Service**
Booking : Up to Date
Stk : 390 , 19kg - 180
Time : From 08.30 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : Up to Date
Stk : 306, 19kg-20
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-237**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | | 6 | | 5 | | 1 | 7 |
| 6 | | | 1 | | | 5 | 2 | |
| 1 | 2 | | 4 | | | | | 9 |
| | | 1 | | | 2 | 7 | 9 | |
| 7 | | 2 | | 9 | | | 5 | |
| | 6 | | | 1 | 4 | 2 | | |
| | 1 | | 2 | | 7 | | | 5 |
| 2 | | 6 | | 4 | | | | 8 |
| | | 7 | | 5 | | 1 | | |

সনা–সুদোকু – ২৩৬ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 2 | 9 | 5 | 6 | 4 | 1 | 3 | 7 |
| 6 | 3 | 5 | 1 | 7 | 9 | 2 | 8 | 4 |
| 1 | 4 | 7 | 2 | 3 | 8 | 9 | 5 | 6 |
| 4 | 8 | 2 | 6 | 5 | 1 | 7 | 9 | 3 |
| 9 | 5 | 1 | 3 | 8 | 7 | 6 | 4 | 2 |
| 3 | 7 | 6 | 4 | 9 | 2 | 5 | 1 | 8 |
| 2 | 1 | 8 | 9 | 4 | 6 | 3 | 7 | 5 |
| 5 | 9 | 4 | 7 | 2 | 3 | 8 | 6 | 1 |
| 7 | 6 | 3 | 8 | 1 | 5 | 4 | 2 | 9 |